৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ, ২০১৮

# সনারৈমনা নুপীমচাগী চহী ১২ মখাগী অমদি অস্বজিৎনা নুপামচাগী চহী ১২ মখাগী টাইটল লৌখ্রে



নুপীমচাগী চহী ১২ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রবী সনারৈমা (ওই)



নুপামচাগী চহী ১২ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা অস্বজিৎ (য়েৎ)

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) না শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর্স ক্লবকী টেন্নিস কমপ্লেক্সতা সেপ্টেম্বর ৩ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী চহী ১২ মখাগী নুপীমচাগী কাঙ্গলুপতা মৈদিংঙু নিংথেম চনু সনারৈমা অমসুং চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপতা এস অস্বজিৎনা টাইটল লৌখ্রে।

মেন্স অমসুং লেদিস সিঙ্গলস, অন্দর ১৪ বোইজ এন্দ গর্লস সিঙ্গলস, অন্দর ১২ বোইজ এন্দ গর্লস সিঙ্গলস, নুপাগী চহী ৪৫ মথক অমদি চহী ৫৫ মথক্কী অমসুং মিক্স ইভেন্ট হায়না পূন্না কেটিগরি ৯ থোক্লা খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ৫০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী চহী ১২ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি মৈদিংঙু নিংথেম চনু সনারৈমা অমসুং ৱাই থোইবী শান্নখি। শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা টাইটল লৌনবগীদমক শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা মৈদিংঙু নিংথেম চনু সনারৈমনা ৱাই থোইবীবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরল্লগা কেটিগরি অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ ওইনা এস অস্বজিৎ অমসুং ঐচ শঙ্কর শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা ফজনা শান্নখি। অদুবু মেচকী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা অস্বজিৎনা শঙ্করপু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৩ দা মায়থীবা পীরল্লগা কেটিগরি অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ ওইনা চার্মি অমসুং লিন্দা শান্নখি। মেচ অদু চার্মিনা লিন্দাবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরল্লগা চহী ১২ মখাগী গর্লস সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

মেন্স দবলসকী ফাইনেল মেচ ওইনা রিভাস্কর অমদি ব্রোজেনগী জুরাগা প্রেমজিৎ অমদি লেনজিগী জুরাগা শান্নখি। জুরা অনীগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা রিভাস্কর অমদি ব্রোজেনগী জুরানা প্রেমজিৎ অমদি লেনজিগী জুরাবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মেন্স দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

চহী ৪৫ মথক্কী মেন্স দবলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা তুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরাগা জয়ন্ত অমদি কুবেরগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু তুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরানা ৬-৪, ৬-২ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি। অদুগা কেটিগরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ৱাই ইবোতোম্বী অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরাগা রঞ্জন অমদি প্রকাশকী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই ইবোতোম্বী অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরানা ৬-১, ৪-৬ (১০-৪) দা মায় পাক্তুনা কেটিগরি অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা জুরা ওইখি।

চহী ৪৫ মথক্কী মেন্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ৱাই ইবোতোম্বী অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরাগা টি ঐচ রাকেশ অমদি রুপমগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱাই ইবোতোম্বী অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরানা ৬-২, ৭-৫ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি। অদুগা কেটিগরি অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা তুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরানা রোমিও অমদি প্রদিপকী জুরাবু ৬-১, ৬-৩ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি। চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ ওইনা বিকি অমসুং অস্বজিৎ শান্নখিবা মেচ অদু বিকিনা অস্বজিৎপু ৬-৪, ৬-০ দা মায়থীবা পীরল্লগা কেটিগরি অসিগী মপু ওইখ্রে।

৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি নীংশিং কাঙ

# কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখূৎনা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাঙখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্লিবা তরেৎশুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখূৎনা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাঙখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী কাঙখূৎ ১৪ না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা গ্রুপ এগী শগোলবন্দ কেন্দ্র কাঙখূৎ অমসুং কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখূৎ শান্নখি। মেচ অদু শগোলবন্দ কেন্দ্র কাঙখূৎনা টোস ঙমদুনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। অদুগা কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখূৎনা মায়কৈ খনখি।

কাঙখূৎ অনীগী মায়কৈদগী কন্না কাপ্নখিবা কাঙ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখূৎনা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাঙখূৎপু পাঞ্জল ১৬-৮ দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিব লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা এস শরতনা স্কোরকীপর অমদি টি ঐচ কুমারনা অম্পায়র ওইখি।

৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা গ্রুপ দিগী ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র কাঙখূৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎ শান্নগনি।

২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট, ২০১৮-১৯

# মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা অদিত্য, ইঙোচা, রবিচন্দ্র, মাধোপ, অমরজিৎ, য়াইস মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসননা শীন্দুনা শিংজমৈ তোপ লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ২ দগী হৌদুনা ৭ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পূন্না দিষ্ট্রিক্ট মরিগী টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা ভেটরান মেন এন্দ ৱুমেন, সিনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন, জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস, সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং কেদেট বোইজ এন্দ গর্লস হায়না কেটিগরি ১০ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-১৯ গী মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা অদিত্য, ইঙোচা, রবিচন্দ্র, মাধোপ, অমরজিৎ, য়াইস অমদি শ্যামবাবু মায় পাকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মরিগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় পুন্না ১৪১ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-১৯ গী মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ঙসি অহানবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অদিত্য অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী রোমেন্দ্রো শান্নখি। মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী অদিত্যনা রোমেন্দ্রোবু লাকচনা শান্নখিবগা লোয়ননা ১৯-১, ২৫-২ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইঙোচা অমসুং বিষ্ণুপুরগী বিস্বনাথ শান্নখি। মেচ অদু ইঙোচানা বিস্বনাথপু ২৪-১, ২৫-৬ তা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী রবিচন্দ্র অমসুং থৌবালগী সঞ্জিৎ শান্নখিবা মেচ অদু ইম্ফাল ইষ্টকী রবিচন্দ্রনা থৌবালগী সঞ্জিৎপু ২৫-১১, ২৫-০ দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম মাধোপ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী অতোপ্পা শান্নরোয় ঐচ বিসোপ শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম মাধোপনা ঐচ বিসোপপু ২৫-৮, ২৫-১১ দা মায়থীবা পীখি।

কেটিগরি অসিগী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী আর কে অমরজিৎ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস বেনর্জি শান্নখি। মেচ অদু আর কে অমরজিৎনা এস বেনর্জিবু ২৫-৮, ২৫-৫; তরুকশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী এস য়াইস অমদি থৌবালগী ধনেশ্বর শান্নখি। মেচ অদু এস য়াইসনা ধনেশ্বরবু ১৩-১৭, ২৫-১১, ২৫-১৯; তরেৎশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম মহেশ অমদি থৌবালগী কে ঐচ হিরিটিক শান্নখি। মেচ অদু এম মহেশনা টি ঐচ হিরিটিকপু ৩-১৫, ১৭-১৬, ২০-৮ দা মায়থীবা পীখি।

নিপানশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী ঐচ অরুন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী অতোপ্পা শান্নরোয় এ জেমস শান্নখিবা মেচ অদু সী ঐচ অরুননা এ জেমসপু ২২-১৩, ১৫-১৭, ২৫-১০; মাপনশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শ্যামবাবু অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী নোংথাং শান্নখিবা মেচ অদু শ্যামবাবুনা নোংথাংবু ১৯-১৭, ১৮-১২; তরাশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই প্রেমচন্দ্র অমসুং বিষ্ণুপুরগী এস গুলসন শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই প্রেমচন্দ্রনা এস গুলসনবু ২৫-৫, ২৫-৭; তরামাথোই শুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ হেরো অমদি ইম্ফাল ইষ্ট এস বিমোলজিৎ শান্নখিবা মেচ অদু ঐচ হেরোনা এস বিমোলজিৎপু ২০-৫, ২২-১৬; তরানিথোইশুবা মেচ ওইনা এল সুশিল অমদি এম সদানন্দা শান্নখিবা মেচ অদু এল সুশিলনা এম সদানন্দবু ২২-১৬, ২২-২১, ১৩ শুবা মেচ ওইনা দব্লিয়ু নেত্রজিৎ অমসুং কে ঐচ চিংলেন শান্নখিবা মেচ অদু দব্লিয়ু নেত্রজিৎনা কে ঐচ চিংলেনবু ২৫-৭, ২১-৮; তরামরিশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী তাইবংঙানবা অমদি বিষ্ণুপুরগী এল রঞ্জন শান্নখিবা মেচ অদু তাইবংঙানবনা এল রঞ্জনবু ২৫-১, ২৫-০ অমসুং কেটিগরি অসিগী অহানবা রাউন্দগী ঙসিগী অরোইবা অমসুং ১৫ শুবা মেচ ওইনা জি সুবাস অমসুং কে জেরেস শান্নখিবা মেচ অদু জি সুবাসনা কে জেরেসপু ২৫-০, ২৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

# মোকামলুং এফ সীনা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপরাবু মায়থীবা পীখ্রে

জিরি, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচ এন এস) ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা হৌখিবা থাগী ৩১ দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা ১৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব-জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমদি ১৫ মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফোর এন হরিচরন ট্রোফিগী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মোকামলুং এফ সীনা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপরাবু মায়থীবা পীখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদগী টিম নিপাননা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ১৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব-জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমদি ১৫ মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফোর এন হরিচরন ট্রোফিগী লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ঙসি মোকামলুং এফ সী অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব শান্নখি। মেচ অদু মোকামলুং

ট্রোফিগী লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ঙসি মোকামলুং এফ সী অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব শান্নখি। মেচ অদু মোকামলুং এফ সীনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপরানা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনসু চীফ অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্নবগীদমক এটেক কয়া চত্থনখি। মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী জর্সি নম্বর ৭ ষ্টাওপুনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদোকখি। মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা মোকামলুং এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ জোসেফনা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী গোল অদু হন্দোক্তুনা গোল ১-১ দা লৈহনখি। মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা অমুক মোকামলুং এফ সীগী জোসেফনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মোকামলুং এফ সীনা গোল ২-১ দা মায় পাকখি।

# মহাদেব নিংথেম্বম কাঙখূৎনা ইচেল ক্লব মায়থীবা পীখ্রে



জিরি, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাঙ এসোসিএসন জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপরাদা লৈবা লমলেন কম্যুনিটি হোল কম কাঙশঙদা চত্থরিবা ২১ শুবা এন পট্টামা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মহাদেব নিংথেম্বম কাঙখূৎনা ইচেল ক্লব দিবোং কাঙখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে। কাঙখূৎ ৯ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মহাদেব কাঙখূৎনা ইচেল ক্লব কাঙখূৎপু পাঞ্জল ১৯-১৭ তা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ ওইনা এস এ ৱাই সী-এ অমসুং ৱাই এল সী শান্নগনি।

# ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা ৱাই অকাশ তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচ এন এস) ঃ ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা জকরতা অমসুং পালেম্বাং সিটি অনীদা হৌখিবা ওগষ্টকী ১৮ দগী হৌদুনা থা অসিগী ২ ফাওবা মালেমগী শান্নবগী কুম্মৈশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমদা শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা টিম অসিগী মণিপুরগী শান্নরোয় ৱাই অকাশ ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা লাইফম খুনৌ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এল কে ৱাই দি এ) গী মেম্বরশিং অমদি মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবা ৱাই অকাশপু লৈ পরেং হুক্তুনা হরাও তয়াম্না ওকখি।

লাইফম খুনৌ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন অমসুং লাইফম খুনৌগী মৈরা পায়বী ইমা-ইবেনশিংনা ঙসি ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী ৱাই অকাশ ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লাইফম খুনৌগী প্রধান অমদি এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমদি একজিক্যুটিব মেম্বরশিং য়াওনা লাইফম খুনৌ মৈরা পায়বীগী মীওইশিংনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াদুনা ৱাই অকাশপু হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা লৈ পরেং হুক্তুনা অমদি মেমেন্টোসু খূৎশিন্নখি হায়না এল কে ৱাই দি এগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলনা খঙহল্লক্লি।

# ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-এল এস কে কাঙখূৎনা ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ২৪-৯ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিএসন (এম এ কে এ) গী মীৎয়েং মখাদা ৱাঙ্গৈাই আই পি টিমনা শীন্দুনা ৱাঙ্গৈাই লোংজম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা চত্থরিবা অহানবা লেট দব্লিয়ু নিপামচা সিংহ (এক্স সী এম মণিপুর) মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইস লীগ কম নোকআউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র - এল এস কে কাঙখূৎনা ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-সীবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী কাঙখূৎ ১৪ না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা লেট দব্লিয়ু নিপামচা সিংহ (এক্স সী এম) মণিপুর মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইস লীগ কম নোকআউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী লীগ রাউন্দগী মেচ অমা ওইনা ঙসি ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-এল এস কে কাঙখূৎ অমসুং ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-সী শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র এল এস কে কাঙখূৎনা টোস ঙমদুনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। অদুগা ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-সী কাঙখূৎনা মায়কৈ খনখি। কাঙখূৎ অনীগী মায়কৈদগী কন্না কাপ্নখিবা কাঙ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-এল এস কে কাঙখূৎনা ৱাঙ্গৈাই কেন্দ্র-সী কাঙখূৎপু পাঞ্জল ২৪-৯ দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ৯ দা গ্রুপ সীগী নম্বোল কেন্দ্র কাঙখূৎ অমসুং কোন্থৌজম কেন্দ্র কাঙখূৎ শান্নগনি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com